থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পাউখোং-ৱারী-অচুম-অরানগী মীৎয়েংদা য়েংগুমসি



ফিরোই অমগী গীতা থীবা তারুবদা, মদুসু ঙসিগী মীরোলসিদা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না তানরিবা অগ্যা ব্রজমনিনা থীবা, মরুপ অমনা হৌদোরকই... গীতাদা য়াওরিবা ৱাহৈ/ৱাহায় ময়ামসিবু তশেংনমক কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা হায়খিবা জাৎলা? মাগীদু কনামত্তদগী অচুম্বা পাউখুম ফংগনি খন্না হংলকখিবা ৱাহং নত্তে, খঙনীংবগী হংবসু নত্তে, মরৈ অমগী অহৌবা পো কাঙবনি। অদুবু কনানসু মরৈ য়েংলকখিদে। লৌশিং শিংবা অমগী ৱাহৈদা ৱাফমদু পুল্লপ থুপচিনখি...'থাজবা হায়বসিদা কনানসু অচুম চুমদা থিদবনি'।

চুম্মী, অচুম্বা হায়বসিগীসু অরেপ্পা মশক লৈতবনি। ঙরাং লাল্লি খন্নরম্বা ঙসি অচুম্বা ওইরিবনি। মালেমসি পুমপাক পাকপা লৈমায় অমনি হায়বদো মতম অমগী অচুম্বনি। ঙসিগীনা অরানবা। কৃষ্ণ অমদি অর্জ্জুন কৌবা, গীতাদা ৱাহং পাউহং তৌনরিবা মীশক অনীদু তশেংনমক লৈরম্ব্রা/লৈরমদবরা হায়বদুখক্তদা লোইনাইদবা মরৈ অমা য়েংনখি। নুমীৎ থাদা নত্তে, চহী লীশীং-লীচা কয়া।

অসিগুম্বা মরৈসি অতাবশিংনা য়েংনদনবা মৈতৈ ৱারী লীবশিংনা হায়, 'বৈশ্যমপায়ন মুনিনা হায় তাও পরিক্ষিৎ নন্দো...'। মুনি অমনা কনাগুম্বা অমদা তম্বা পাউ, লীবা ৱারী। মালেম পুম্বৈ মীয়াম্না খ্বাইদৈ পাম্না তানরিবা ৱারী, পাম্নরিবা লাইরিক অমা ওইরিবা 'মহাভারত' কৌবা লাইরিক্তুগী লোইরমদাই মতাং অমা (কুরুক্ষেত্র লান) গী লানলক্তুদা মীহাৎ খুৎলায় মতীক চানা পায়নরবা তেঙ্গোল অনীমক্লা, অমনা অমদা লান্দানবগীদমক মাগী মাগী লানচিং-পুরেনগী 'ফায়রিং ওর্দর' ঙাইনরিবা তাল্লক্তুদা... গ্যান, ভক্তি অমদি যোগগী লুরবা ৱাফম কয়া, অদুসু পুংজা খরদা লীবা, তাকপা, খঙবা ওইথোক্লরোইদবা, খঙ-হৈরবা অমনা করিসু খঙদবা অমদা তাকপীবা, পুন্সি-চুপ্পা অমা নৈনরবসু খঙলরোইদবা লুরবা গ্যান ময়াম অমা ৱাহায় অমদা খঙখিবা... ওইথোক্লরোইদবা ৱাফম অমনি। কৃষ্ণগী পাউতাক, অর্জ্জুনগী ৱাহং লানলক্তুদা চঙদুনা ইশিনহৌরিবা 'সোর্ত হেন্দ' হৈবা অথৌবদুনা কনানো? অসুম্না অচুম-অরানগী য়ুম্ফমদা নৈনগদবা নত্তে 'মহাভারত'তি। 'মহাভারত'- অচৌবা, অরুবা পাউখোং অমনি।



লাইরিকসিদা ইরম্লিবা ৱারী ময়াম অদুগী অচুম অরান নৈননবা অইবনা চল্লম্বা পাউখোংনি- গীতা।

মতাংসিদা অতোপ্পা ৱাহং অমা অমুক থোরক্লে- গীতা কনানা ইরম্বনো? পুন্নমক্লা থাজনৈ- মহাভারত ইরম্বনি হায়রিবা 'বেদ ব্যাস'না গীতাগী শরুক্তী ইরমদে। মহাক্কী মচা ইবুংঙো 'সুখদেব মুনি'না মপাবুং লৈখিদ্রবা মতুংদা শ্রীমদভাগবদ গীতা ইরমদুনা অৱাৎপদু মেনশিনবনি। কনাগুম্বা নৈনরোইশিংনা হায়- শঙ্করাচার্যনা মহাভারতকী মরমদা ইদুনা মীয়ামদা ফোঙদোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা গীতাগী পাউরৌ পাউতাকশিংসিগী মরমদা কনানসু ইখঙ খঙনরমদে। ৱাফম অসিনা পীরিবা ইঙ্গীৎতি- সঙ্করাচার্যনা ইবনি অসিরা? অতোপ্পা অখঙ অহৈশিংনদি গীতাগী অইবা, অফাওবা সংস্কৃত লীলা ইবা 'বোধয়ন'নি হায়বসু য়াওই। বেদ-ব্যাস কৌবা অইবা অমত্তা ইন্দিয়াগী ইতিহাসতা লৈখিদে হায়না কন্ট্রোভর্সিয়েল ওইখ্রবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লখিবা লৈ। ব্যাস হায়বসিদি কনাগুম্বা অমগী শাগৈনি। 'বদরায়ন ব্যাস' হায়বা অমগা 'দ্বাইপয়ন ব্যাস' হায়বা অনীখক্তি থেংনৈ, মখোয় অনীগী মরক্তা অমা শোয়দনা ওইরমগনি হায়নসু য়েৎনবা লৈখি, ইতিহাসকী তাঙ্কক্তা।

অদুগা, নুংঙাইরিবা অমনা কৃষ্ণ কৌবা দেবকীগী মচা অমা ফংখিবৈ ৱারীদি 'ছন্দোগ্য উপনিষদ'তা য়াওবনি, ঘোরা কৌবা লাইনিংবা অমনা মাবু তাকপীবা গুরুনি। মহাভারত পুরান'দা দ্বারকাগী নিংথৌনি। বিষ্ণু পুরান'দনা নুংশিবদা ঙাওবা কৃষ্ণনা গোপিশিংগা রাধাগা পুন্না নুংশি-লীলা শান্নমিন্নৈ। ভাগবত পুরান'দনা অপাম নুংশিগী লাই 'মদন'বু শুমহৎতুনা 'রাস-লীলা' শান্নহল্লি, মদন মোহন মিংথোল্লি। বেদ-শাস্ত্রনা মীওইববু 'সতায়ুর্ব পুরুষ' (মীওইবদি চহী চাম্মা পুন্সি) হায়না পাউতাকই। কৃষ্ণদি জুগ কয়া পুন্সিখি। অহল ওইরবা কৃষ্ণগী শক্তম, মফম কৈদসু য়েক্লমদে।

অসুম্না, ওইথোক্তবা ৱারী কয়াগী লৈ-পরেং ওইবা মহাভারত- ঙসিগী অচুম-অরানগী মীৎয়েংদগী য়েংলবা, মীরোল কয়াগী অসুপ্পা ৱারী ওইরিবা লাইরিকসিগী চন্নফম লৈতবসু য়াই। মীৎয়েংগী ৱাংমদা য়েংগদবনি গীতা অমদি মহাভারত। ৱারী ওইনা তাবীরুনু, পাউখোং ওইনা তাবীয়ু।

লৌশিং পুক্কে

# মথৌ তাবা চাংদগী হেঞ্জিন্না চাশিনবনা হকচাংদা মখল মখা কয়াগী পূন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না পোক্লক্লবগী মরম ওইহল্লি

য়াম্না চারিবমখৈ হকচাং ফবসু হেল্লি হায়বা থাজনবী অমা লৈ। মাঙখ্রবা পাঙ্গল অমুক হঞ্জিল্লক্লবগীদমক ঙল্লিবমখৈ চাশিনগদবনি হায়না কনাগুম্বা ডোক্তর খরনা পাউতাক পীবসু য়াওই।



তৌবগীবুদি হিরম খরদা ৱাফম অসি চুম্মী হায়না লৌবা য়াই। হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক মথৌ নীংথিনা তৌহন্নবগীদমক চীঞ্জাক মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই। নিংশা শ্বর হোন্দোকপা খুদিংগী এনর্জি মাঙই। মশল লেঙবা খুদিংগী এনর্জি শীজিন্নৈ। ৱাখল মচা অমা খনবদসু চীঞ্জাক চঙই। পূক্লিং ৱাখল ৱাবা মতমদনা অমুক্কা হেন্না এনর্জি মাঙই। ইশম-শম্না হায়রবদা তুল্লিঙৈদসু এনর্জি শীজিন্নবা মরম্না মীৎকুপ খুদিংগী হকচাংনা এনর্জি শীজিন্নরি।

মতৌ অসুম্না শীজিন্নথোকখ্রবা চীঞ্জাক অসি অমুক মেনখৎন-বগীদমক চীঞ্জাক মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই। অদুবু কনাগুম্বা মীওই অমগা অতোপ্পা মীওই অমগা হকচাগী মওং মতৌ মান্নদবগী মথক্তা এনর্জি শীজিন্নথোকখিবগী মওংসু মান্নদবা মরম্না চীঞ্জাক্কী মথৌ তাবগী চাংসু খেন্নৈ। পুন্নমক অসি ওইদুনসু কা-হেন্না চাশিনবগী থৌওংদি মাঙ-তাক্লিংঙাই ওই। য়েল য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্সর কাঙবু অমনা থিজিনবদা কা-হেন্না চাশিনবগী থৌওংনা পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা লায়না পোকহল্লি হায়বা খঙলে।

ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা রোনাল্ড দ্যুমেনন হায়খি, ফেটকী চাং কা-হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক হেঞ্জিন্না চাশিল্লবদি পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা লায়না পোকহল্ল-কপগা লোয়ননা টাইপ-টু দাইবেটিসকুম্বা মেটাবোলিক দিসওর্দর ওইহল্লকই। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'ন্যুরোফার্মাকোলোজি' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

অমরোমদা, মথৌ তাবা চাংদগী হেঞ্জিন্না চাশিনবদা হকচাংদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহল্লক্তুনা মখল মখা কয়াগী পূন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না পোক্লক্লবগী মরম ওইহল্লি হায়রি। অহানবদা পাক হেক খঙবা ঙমদ্রবসু মতম কুইনা মথৌ তাবা চাংদগী হেঞ্জিন্না চাশিনবা মতমদা পূক্লিং-ৱাখল অনীমক মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্দে।

অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, হেঞ্জিন্না চাশিনবগা লোয়ননা হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎলবদি কা-হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। মসিনা হকচাংগী অৱাম্বা হেনগৎহনবগা লোয়ননা কয়াৎ অয়াম্বা শোকহল্লকই। মথৌ তাবা চাংদগী হেঞ্জিন্না চাশিনবা মতমদা চীঞ্জাক পুন্নমক মপুং ফানা তুমহনবা ঙমদবদগী পৎথ-পুমথরক্তুনা গ্যেস ওল্লকই।

ইন্টেষ্টাইনদা গ্যেস য়াওরকপা (পুক নুংশিৎ কারকপা) তারবদি চাবা তুমদবগী খুদমনি। মতৌ অসুম্না গ্যেসকী চাং হেনগৎলক্লবদি হকচাংনা মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙম্লক্তে। ইতন-তন্থরকই অমসুং খজিক্তং তৌবদা ৱাবনা হাল্লি। মরম অদুনা পুক থনফাৎত্রিঙৈদা চাক চাবা তোকপনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি।

মালেমদা চাবা ফংদবদগী চরা হেন্দুনা শিবা মী মশীংদগী চাবা হেনমন দুনা শিবা মী মশীংনা য়াম্বা হেল্লি হায়বা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী ৱাফম অদু মতাং অসিদা নীংশিংবা য়াই।

কনাগুম্বা মীওই অমা চাক চাবা হেক তোকপগা তুম্নিংবা ফাওরক্লবদি হেঞ্জিন্না চাশিনখ্রে হায়বগী খুদমনি। হেঞ্জিন্না চাশিনবা মতমদা দাইজেষ্টিব সিষ্টেমনা চীঞ্জাকশিং তুমহন্নবা হোৎনবদা ঈ কা-হেন্না মথৌ তারকই। মরম অদুনা ব্রেনদা ঈ মরাং কায়না য়ৌহনবা ঙমদবদগী তূম্নিংবা পোক্লকই। মরম অদুনা ৱাখল খনবগী মথৌ তাবা য়াম্না মরুওইবা থবক অমা তৌরমদাইদা কা-হেন্না খক চাশিল্লোইদবনি।

চীন নুংঙাইতবা নৎত্রগা নিংশা শ্বর নমথিরকপা তারবসু কা-হেন্না চাশিনবগী খুদমনি। হেঞ্জিন্না চাশিনবদগী মপুং ফানা তুম্বা ঙমদবা মরম্না পৎথ-পুমথরক্লবা চীঞ্জাক্লা পুন্নমক অসি ওইহল্লকপনি। এলিমেন্টরি ট্রেক্টতা অপুম্বা চীঞ্জাক য়াম্না লৈরবদি থবাক শাবা অমসুং থগোকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি। অয়ুক য়াহৌরকপদা অমোৎ-অকায় ময়াম্না লৈ (টঙ্গ) ইথা থাগৎলম্বা তারবদি হেঞ্জিন্না চাশিনখ্রে হায়বগী খুদমনি। মতম শাংনা চাবগী চাং হেন্দুনা লাক্লবা মীওইশিংগী মরৈ ইমোৎ-মোৎপা থেংনগনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মখলগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবা মীওই খুদিংমক চাবা হনগদবনি।

কা-হেন্না চাশিনবা মতমদা উরিং থুংলকপগা লোয়ননা উনশাগী মচু ওল্লক্তুনা লৈখোম মচু মাল্লকই। অহেনবা চীঞ্জাকশিং অদু পৎথ-পুমথরক্লবা মতুংদা হকচাংনা অহেনবা শরুক অদু উনশা ফাওদোক্লগা থাদোরক্লবা হোৎনবদগী উনশা অদু ওল্লকপনি। মসিনা উরিং থুংবা য়াওনা উনশাগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকই। হেঞ্জিন্না চাশিনবা মতমদা লিভরনা মথৌ হেন্না তৌরকপদগী কুচ শেংহন্দে অমসুং মীৎ নুংঙাইহন্দে।

অমরোমদা, মীওইবনা নিংথমথাগী মতমদা হেঞ্জিন্না চাশিনবগী থৌওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলি। নিংথমথা চঙলক্লবনিনা চাবা-থকপা নুংঙাইরগনি হায়নবা ৱাফম অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী ঙাঙনদুনা লাক্লবনি। প্রোসিদিংস ওফ দ রোয়েল সোসাইটি জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুনিভর্সিটি ওপ এক্সিটরগী রিছার্সর ডা. এন্দ্রিয়ু হিগিন্সননা হায়খি, নিংথমথাগী মতমদা মীওইবা য়াওনা শা মখল খুদিংমক হকচাংদা ফেটকী শরুক হেন্না তুংশিনবগী মথৌ তাই। মরম অদুনা হেঞ্জিন্না চাশিনবগী হৈনবী লৈরকপনি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা অনৌবা মতমগী অচাপোৎশিংদা চিনিগী শরুক কা-হেন্না য়াওবগা লোয়ননা মখল কয়াগী মহাউ হেনগৎনবা পোৎলম য়ানশিল্লি, মসিনা মরম ওইরদুনা হেঞ্জিন্না চাশিনবগী থৌওং নিংথমথাদা হেক হেক উবা ফংলিবনি।

# চীংদগী নূং লৌথোকপা, উ পাম্বীশিং য়ান্থৎপগী থবক চত্থরকপা লাইবক থীবনি : দব্লিয়ু বি সী সী



থৌবাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা চীংশিংদগী নূং লৌথোক্তুনা অচৌবা শেন্দাল লম্বী অমা চত্থরকপা অমদি উ পাম্বী মচাশিং পাক্তক্লনা য়ান্থৎপগী থবক চত্থরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না ৱাইল্ড লাইফ এন্দ বাইও দাইভরসিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি (দব্লিয়ু বি সী সী) মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

দব্লিয়ু বি সী সীগী মেম্বরশিংনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেন্থা থম্বাল চীংয়া অমদি ইকোপ পাৎকী অকোয়বশিং অমসুং ৱাবগাইগী থম্বাল চীংয়া অমদি লময়েং চীংগী অকোয়বগী ফীভম য়েংশিল্লুবদা অসুক্কী মতিক শাথিবা ফীভম অমদা লৈরম্বা থেংনরে হায়রি।

ঙসিগী য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা দব্লিয়ু বি সী সী মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল এন রোমেসনা হায়খিবদা তেন্থা থম্বাল চীংয়াগী হেক চঙফমদগী হৌরগা মনুং ফাওবা চীং লৈবাকশিং কোথোক্তুনা অমদি মনুংদগী নূংশিং লৌথোক্তুনা শেঞ্জাও পায়বশিংনা অচৌবা শেন্দাল লম্বী অমা চত্থবগী মমি তারে।

মসিগী থৌওং অসিনা মখা তানা অদুম চত্থরক্লবদি মহৌশাগী খল মাঙশিল্লক্তুনা তুংদা য়াম্না খুদোংথীবা অমা মায়োক্লরকপা য়াই হায়রদুনা নোং খজিক্তং তারকপদা চীং নীংখাইবা থোকপা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈরে অমদি পূন্না নমথখিদুনা অনকপদা লৈরিবা য়ুমশিং অসিসু খুদোংথীবা নংলকপা য়াই হায়খি।

রোমেসনা মখা তানা হায়খিবদা ৱাবগাইগী থম্বাল চীংয়া অমসুং লময়েং চীংগী অকোয়বদা উচাল পাম্বী মচাশিং পাক্তক্লা য়ান্থৎতুনা লৈরম্বা থেংনখি অমদি পাৎকী অকোয়বদা ঙাগী ফার্ম তৌরিবশিংনা উচেক লাংশিং শীজিন্নদুনা ফার্মগী অকোয়বদা খাজিনবসু থেংনখি। অদুমকপু ফার্ম মপুশিংগা ৱারী শানদুনা লাংশিং অদু লৌথোকহনখি হায়রি।

খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা ইকোপ পাৎকী অকোয়বদা মখা তানা দ্রাইভ চত্থবদা পাৎতা ইলেক্ট্রিক করেন্ট শীজিন্নদুনা ঙা ফাবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং অমদি উচেক লাং ৩ ফাগৎপা ঙন্লে অমদি লাংশিং অদুদা উচেক ১০০ রোমসু থুরমখি হায়রি।

মহৌশাগী ফজখ্রবা মফমশিং অসি মাঙদ্রিঙৈ অমদি চীং নীংখাইদুনা অশোক অপন য়াওরক্ত্রিঙৈদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা চীংদা, পাৎতা তৌরিবা থবকশিং অসি অথুবা মতমদা য়েংশিনবীদুনা মহৌশাগী খল ঙাকমিন্নহৌসি অমদি পাৎতা ঙাগী ফার্ম তৌরিবশিংনা উচেক লাং শীজিন্নদুনা ফার্মগী অকোয়বদা খাজিনবা অসি তৌবীগনু হায়নসু রোমেসনা মখা তানা আপিল তৌখি।

ঙসিগী ৱাইল্ড লাইফ এন্দ বাইও দাইভরসিটি কনজার্ভেসন কম্মিটি (দব্লিয়ু বি সী সী) মণিপুরগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

# কোংবা লৈথোঙ ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) : মণিপুর পন্দিট লোইশঙ অমদি শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দনা খূৎশম্ননা শীন্দুনা কুমসি চহীগী কোংবা লৈথোঙ ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবগী থৌরম ঙসি কোংপাল নাওরোইবম লৈকায়দা লৈবা অঙোম পোকপা অমদি নিংথেম পোকপা লাইফমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী মতাংদা পন্দিট লোইশঙগী পন্দিট য়াইমা ৱাহেংবম লুখোইনা ফোঙদোরকপদা, ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি লাইফম অনীদনি। অঙোম পোকপা অসিনা ময়াম্বনি। পাখঙবা অসিনা মনাওনুপানি। নিংথেম পোকপা মঙাং সলাইগী পুকোক্কী নিংথৌনি। ঙসি থৌরম পাঙথোক্লিবা অসি লমদম অসিদা চহী অমগী মচিন মনাওসিনা লৈবাক্কী শবাও লানবাও পীগনি। লাইফম অনী অসিদা তৌথোক্লগা করি লৈবগে য়েংলগা লৈবাক্কী মপাউপীগনি। কুমসি চহীগী ওইনা অফবা ওইহনবীনবা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা থৌনিবগী থৌরম পাঙথোক্লিবনি। থৌরম অসি মমাঙঙৈদদি কংলাদা পাঙথোক্লম্মী। নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতমদগী মফম অসিদা হোংলকপনি। চৈরাওবা নুমিৎতা চৈথোবা হায়দুনা নুপা অমনা অসিগুম্বা থৌরম অসি তৌগনি। লৈথোঙ ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবসিগী তৌরিবা কোম অসিদগী নূং ফংদ্রিফাওবা তৌথগনি হায়নসু মখা তাখি।

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Admission Open For
FOUNDATION COURSE - XI & XII Sc. (COHSEM &CBSE)
CLASS XII- ENGLISH TUTION ( COHSEM) MORNING ( SUN & HOLIDAY)
Facilities
Hostel Seats For Boys & Girls
No Admission Fee
Free Text Book Sets
MOCK Test Series
Special Concession
Govt. School Students
Hostelers (Apollo)
LAST DATE OF ADMISSION 22nd APRIL 2019
Form Issue: 03/04/2019
Class Starts: 22/04/2019
Class Timing: 4:30pm-7:40pm
For details please contact : Apollo office Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal - 795001
HL-P/5313/2/4-30/5



HL-B/5314/2/4-3/5

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।০৪।২০১৯ ইং, থাংজ, অয়ুক পুং ১১.৪২ ফাওবা শজিবুগী ৮নি পাল্লি, মতুং ৯নি পানগনি।

**মেষ:** ইমুং-মনুং ৱাখল মান্নবা, নচাক-নরল চাওখৎপা অমদি অনৌবা নুংঙাইবা পাউ তাজবা নুমিৎনি। মমল চংবা পোৎতগী কান্নবা ফংগনি। নাইতোম ৱারেপতি লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - চরক হিং নাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

**বৃষ :** ৱাখল থোক্লা থবক পাংবা ঙমগনি, মরী-মতা ফংবগী নুংঙাইবা, শেল-থুমগী থবক্তা কান্নবা অমদি মরুপ-মপাং চাওখৎপা লৈগনি। অদুবু ইমুং-মনুং নারি তিন্নদবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

**মিথুন:** থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজবা অমদি মরুপ্পা চানবীবা ফবা নুমিৎনি। অদুবু খোইরাংবনা কাইনহনবা অমদি নথক থোংবনা অফা অপুন্নহনবদি লৈবা য়াই। লনদি ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী - অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট:** হরাওবা-নুংঙাইবা, নিংবদুমক ওইথোকপা অমদি মীচং য়াম্বা লৈগনি, অদবু শেল ৱানা ফংলসু চৎফম য়াম্বা অমদি শকখঙদবনা ইনশিনবদগী কাইননি। মীয়াম্নদি চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱা য়াম্না ঙাঙদবনা য়াইফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**সিংহ:** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি অদুনা থৌয়াম পুগনু অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোল্লি অদুনা অখঙ-অহৈগী ৱা তাদনা অরুবা ৱারেপ নতোমতা লৌগনু। পূক্লিং লৈতাবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈরাংদা তাওবনা মাঙজবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

**কন্য:** শেল ফংবা য়াবা, লল্লোল-ঈতিক্কী থবক্তা মাঙজিল থাবা অমদি পাঙ্গল ফুদোকপা কান্নবা নুমিৎনি। হান্নদগী পাংলকপা থবক্তা ইপেন-পেন্দবদি লৈগনি, ৱাঙাঙ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**তুলা:** থবক পাংগনি, অনৌবা থবক পাংবসু য়াগনি অমদি মরুপ-মপাংশিংদগী ওইজবা ফংগনি। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎকনি অমদি অখঙ-অহৈ শাগনু। অচৌবনদি চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**বৃশ্চিক :** নচাক-নরল চাওখৎপা ঙসিসু লৈগনি, লৌশিং চাউবা ওইবনা থবক খুদিং লৈখাই তানা পাংবা ঙমগনি। হকচাংসু নুংঙাইগনি। অদুবু নোল্লুক্তুদি অরুবা থবক কাইবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌবি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

**ধনু:** পাঙ্গল থোক্লা পাংবা থবক শোইদনা মায় পাক্কনি অদুনা নীংজিং মাঙজিং থৌ পাংগনু। হেঞ্জিন্না অশা চাউরদি ৱাখল নুংঙাইতবা ওইনা থোক্কনি। নথক থোংবগী ৱা তাও।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

**মকর:** খ্বাইদগী হেন্না ওইজ-ওইথক ফংগদবা নুমিৎনি। অদুনা খুৎচাউ থানা থবক পাংবা য়াগনি। অফবা মীংচৎ ফংবা য়াবা লৈরে। অনা-অয়েক্লদি তাথি, য়েৎনবদা মায়থীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্ভ:** মীতোপকী ৱাদি লৌগনু অমদি লমদা হুরানবদগী চেকশিল্লু। অতৈ লম্‌দদি মায় পাক্কনি, লৌশিং চাওখৎপা অমদি শেল ফংবা অমদি অচুম্বনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মীন:** মতম মাঙগনি অদুনা ঙন্লোইদবদা হোয়া ফগনু। ঈরাংদা তাওরিঙৈ ওইজবা মাঙগনি অমদি অরোনবা হায়দোকপনা মীনা হেন্না য়েংথিবা হেনগনি। অনম তানবা য়াখিরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল ফাথবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।